*এ এফ সি ৱুমেন'স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়র:*

# ইন্দিয়ানা ইরাক থোইবদা ফাঞ্জৌবম নিরমালানা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনেল গোল চনখ্রে

চিয়াং মাই, জুলাই ০২ (এজেন্সি)ঃ

সেন্টর বেক ফাঞ্জৌবম নিরমালানা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনেল গোল চনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা ইরাকপু ৫–০দা থোইদুনা মফম অসিদা চত্থরিবা এ এফ সি ৱুমেন'স এসিয়ান কপ ক্বালিফায়র গ্রুপ বিগী মকোক থোংবা মফম হেন্না চেৎশিন্দুনা ক্বালিফাই ওইনবগী অরোইবা খোঙথাং থাংজিনখ্রে।

সঙ্গিতা বাসফোর অমসুং মনিসানা হাল্ফ মমাঙদা গোল অনী চন্দুনা ইন্দিয়ানা খুদুম চনবগী মওং উৎখি। লোয়ননা গেম অদুগী মখা চত্থরকপদা কার্থিকা অনগামুত্তু, ফাঞ্জৌবম নিরমালা অমসুং মিডফিল্ডর নোংমাইথেম রতনবালানা গোল অমমম চন্দুনা চত্থরিবা ক্বালিফায়র অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৩ শান্নবদা পুন্না গোল ২২ চনবা ঙমখি।

মেটচ মতুংদা নিরমালানা হায়, ঐহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনেল গোল চনবদা নুংঙাইবা ফাওই। মথং চহীগী এসিয়ান কপ ক্বালিফাই ওইনবা লাক্কদৌরিবা থাইলেন্দগা শান্নগদবা মেটচতা হেন্না নীংথিনা পার্ফোমেন্স পীনবা ঐখোয় শেম শাগনি হায়খি।

ঙসিগী রিজল্ট অদুগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা গেম ৩ শান্নবদা লোইনমক মায় পাক্তুনা অঙকপা মওংদা কেম্পেইন চত্থরি অমসুং মায়োক্লখিবা টিমশিংনা গোল অমত্তা চলহন্দনা লৈরি।

গ্রুপ বিদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৯গা লোয়ননা গোল দিফরেন্স প্লস ২২ ওইদুনা মকোক থোংলি। নক্কবা লম্বা ওইরিবা থাইলেন্দনা ঙসি অথেংবদা মোঙ্গোলিয়াগা শান্নগনি। জুলাই ৫ থাংজ নুমিৎতা য়ূম্বু থাইলেন্দগা লম্বা পানদুনা গ্রুপ ৱিন্নর দিসাইদিং ওইগনি। ক্বালিফায়র অসিদগী মকোক থোংবা টিম খক্তনা ওস্ট্রেলিয়াদা পাঙথোক্কদবা ফাইনেল রাউন্দগী মফম কনগদবনি।



মোঙ্গোলিয়াবু ১৩–০দা অমসুং টিমোর লেষ্টেবু ৪–০দা থোইখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা অচৌবা থাজবা লোইনদুনা ঙসিগী মেটচ অদু শান্নবা হৌখি অমসুং অহানবা হ্বিশল খোংবদগী হৌনা পোসেসন কন্ট্রোল তৌদুনা ইরাক্কী দিফেন্স নমখায়নবা হোৎনরকখি।

অঙনবা মিনিট ৯দা ইন্দিয়ানা কোর্নর অমদগী গোল চনগদবা খজিক্তা ঙাইখি অদুবু ইরাক গোলকিপর অলজিবারিনা ঙাকথোকখি। অদুমওইনমক, ইন্দিয়ান টিমগী লেপ্তুবা পোসেসন্না মিনিট মঙাগী মতুংদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সঞ্জুনা ওইরোইমথংবদগী কোর্নর কাউরকপদা অলজিবারিনা ক্লিয়র তৌবা ঙমহৌদবদগী বোল অদু সঙ্গিতাগী মপাদা তাদুনা হেদ্দিং তৌখিবনি।

মিনিট ৩৫দা মনিসাগী এটেম্প অমা ক্রোস বারদা পানখ্রবা মতুং হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোইগদবা অমা ৱাংলিঙৈদা গোল ওন্থোক্তুনা ২–০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট অহুমদা কার্থিকা অনগামুত্তুনা ওপ্পোনেন্ট গোলকিপর অদু মহাক্কী পোজিসন্দা লৈতবা উখি অমসুং য়ার্দ ২৫ রোম লাপ্পা মফমদগী লোবদা কাউশিন্দুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল চনখি।

লেপ্তুনা চত্থখিবা ইন্দিয়াগী এটেক্না মিনিট ৬৮ চৎপদা নিরমালানা মিডফিল্ডদগী পাস অমা ফংলবা মতুং বোল চেনখৎলকখি অমসুং অরাপ্পা মফমদগী কাউশিন্দুনা গোল চনখি। ইন্দিয়াগী অরোইবা মঙাশুবা গোল অদুনা সবষ্টিট্যুট রতনবালানা মিনিট ৮০দা চনখিবনি।

# এম য়ুগী মেডলিষ্টশিং চে–চাং থাজিল্লক্লবা খঙহল্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মমাঙৈদগী পীরগা লাকপগুম ২০২৪ জুলাই ১দগী ২০২৫ জুলাই ৩০ ফাওবা মনুংদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্পিটিসন্দা মেডল লৌরকখ্রবা এম য়ুগী মেডলিষ্টশিংদা শেলগী মনা পীনবা এঠলেটশিংনা মরী লৈনবা চে–চাং থাজিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

এম য়ু দিপার্টমেন্ট এন্দ স্পোর্টসকী চেরোলগী মতুংইন্না, জোনেল কম্পিটিসনগী ওইনদি কেস ইন্সেটিভ এৱার্দ অসিগী ইলিজিবল ওইদে হায়রি।

এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভর্সিটিগী এ আই ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কম্পিটিসন্দা মেডল লৌরকখ্রবা মহৈরোইশিংনা জুলাই ৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর, বেঙ্ককী মমিং অমসুং এদ্রেস, বেঙ্ক অদুগী আই এফ এস সি কোদ অমসুং বেঙ্ক পাসবুক্কী অহানবা লমায়গী জেরোক্স কোপ্পীগা লোয়ননা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, এম য়ুদা রিপোর্ট তৌরগদবনি।

নাকল অমরোমদা, নবেম্বরদা পাঙথোক্কদবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসকী ক্বালিফাই ওইরবা এঠলেটশিংনা জুলাই ৮ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা লাক্তুনা এন এস পি আরগী রেজিষ্ট্রেসন মপুং ফাহন্নবা খঙহল্লক্লি।

# মালেম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ

টিঐচ তোম্বী অমসুং টিঐচ অঙাংমচা মীতৈ ত্রষ্টনা শীন্দুনা চত্থরিবা অহানবা নাইন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মালেম এফ সি মৈজ্রাওনা সাইদা ক্ষেত্রিগাওবু ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

গ্রুপ দিগী মেটচ অদুদা মায় পাক্লবা মালেম এফ সিগী গোলশিং অদু বিরজিৎনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ১৩দা অমসুং জোননা মিনিট ৪০দা চনখিবনি।

# ইবেতোম্বী নীংশিং নন–ষ্টেট বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী দি এম য়ুনিভর্সিটি মনাক্তা লৈবা ষ্টেট এসোসিয়েসন অসিগী ইন্দোর হোলদা অনীশুবা থোঙাম ইবেতোম্বী নীংশিং নন–ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন ২০২৫ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি শান্নরোই ৩০০ রোম্না শরুক য়াদুনা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা চত্থগদবনি। থৌরমগা মরী লৈননা এম এস বি এগী প্রসিদেন্ট অমসুং থোংজু এ সিগী এম এল এ থোঙাম বিশ্বরজিৎনা হায়, ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন্না মণিপুরগী সড্ডুলরশিংদা মতিক চাবা কোচশিংনা কোচিং পীনবা হোৎনরি। বাইদগী কোচশিং থারক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংদসু কোচিং প্রোগ্রাম পাঙথোকহন্নবা থৌরাংলি।

অদুবু সেপ্টেম্বরদা নোর্থ ইষ্ট জোনেলগী চেম্পিয়ন্সিপ ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবনা কোচিং প্রোগ্রাম অদু তপথবনি। ভেটরানশিংবুসু পূক্নিং থৌগৎতুনা মখোয়গী ওইবা কম্পিটিসন হন্দক পাঙথোক্লবা শেম শারি।

নোর্থ ইষ্ট জোনেল কম্পিটিসন অদুনা মণিপুরগী ইকোনোমিদসু মতেং ওইগনি। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাক্কদবা ওফিসিয়েল অমসুং শান্নরোইশিংগী লৈফম–চাফম নীংথিনা পীনবা মরী লৈনবশিংগা ৱা খন্নবা লৈরে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংদা এক্সপোজর অমসুং কম্পিটিসনগী এক্সপরিয়েন্স মথৌ তাবা মরম্না অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি।

কনাগুম্বশিং নন–ষ্টেটকী টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লিংলবসু ষ্টেট এসোসিয়েসন্না মতেং পাঙনবা শেম শাদুনা লৈরি।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেন'স সিঙ্গলসতা রাজকুমার হেনরি, সরাংথেম জয়চন্দ্র, ফুরাইলাৎপম দিলু শর্ম্মা, সনারেল অথোকপম, মালেমঙানবা হৈক্রুজম অমসুং তাবিয়ো রাউন্দ ওফ ৩২ মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

বোইজ সিঙ্গলস চহী ১১ মখাগীদা অহেনথোই লৈতানথেম, নোঙাল লোইতোংবম, কাঙবম শিনহৈবা মঙাং, কেঐচ নরজিৎ, দাইমন্দ সাপম, হার্কুলিস লাইশ্রম অমসুং য়াইচেনবা সেরাম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা অহেনথোইনা মাসুংরিং সিন্গ্রেবু ষ্টেট গেম ২১–৯, ২১–১৫দা থোইখি। নোঙালনা কেঐচ হিরিক্বিসপু ২১–৯, ২১–৯দা, সিনহৈবনা মুইনাওবু ২১–৬, ২১–১দা, নরজিৎনা বাবেস সংলাকপমপু ২১–৩, ২১–১০দা, দাইমন্দনা পোলেম লময়ানববু ২১–১৭, ২১–১৭দা, হার্কুলিসনা কাঙবম চীংলেনসম্না মীতৈবু ২১–১০, ২১–৩দা অদুগা য়াইচেনবনা রিংচিথৈ মুইনাওবু ২১–১২, ২১–১৪দা থোইখিবনি।

বোইজ সিঙ্গলস অন্দর–১৩দা ইরাবন্ত চুংখাম, বাসিলিও থৌঙম্বা, ধনরাজ সিঙম, রাজকুমার রেনি দস, মঙালসনা য়াম্বেম, হিদংবম বিসাল শর্ম্মা, নোংলৈখোম্বা কোঞ্জেংবম, রিংথুইসো মাচিরি, অহেনথোই লৈতানথেম, অসেং য়াংবা নামৈরাকপম, হেন্থোইবা থিয়াম, লোংজম বিয়াস মীতৈ, শিন্থাঙম্বা ক্ষেত্রিময়ুম, জুপিটর থিয়াম অমসুং কেলভিন থিয়াম রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙখ্রে।

# অনীশুবা তাঙ্কক্কী কোচিংদা য়াওগদবা নুপামচা ৪৩গী মিং লাউথোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ

জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ষ্টেট টিম শেন্নবগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী কোচিং কম ত্রাইয়েলদা শরুক য়াগদবা নুপামচা ৪৩গী মিং ঙসি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না লাউথোক্লে।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না নুপামচাশিং অদু হয়েং অয়ুক পুং ৭.৩০দা ফুল কিটসকা লোয়ননা লাক্তুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা আই ৱাই এফ সিগী ইরফান খান, আর এফ সি সিগী সাপম গিফসন, দি এফ এ নোনেগী কামৈ জেনথুইপুই, পোলোই এফ সিগী ৱাই থোমাস অমসুং আই ৱাই এফ সিগী কাংজম বিকিনি।

দিফেন্দরদা আই ৱাই এফ সিগী হমিত অহমদ, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী এল নাওচা, ওইনাম অর্বিন অমসুং লিভিংষ্টন য়ূন্নাম, দি এফ এ নোনেগী টি পামৈ, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী থোইঙম্বা থিংবাইজম অমসুং তোনজম ষ্টেলোন, তাইদাগী এলেক্স ওইনাম, আর এফ সি সিগী ওইনাম বেল্টন, আই এম এফ এগীময়াংলম্বম অলবার্ট অমসুং ঐচ নেলসন অদুগা পোলোই এফ সিগী সিতলজিৎ হাওরুংবমনি।

মিডফিল্ডরদা পান্দম এফ এফকী নিঙোম্বম মঙালজিৎ অমসুং য়োয়ো শগোলশেম, আই এফ ই পিগী রোসন হুসেন অমসুং খুৎলৈফম সুল্টান, আর এফ সি সিগী ঐচ রাজ অমসুং টিঐচ গিভসন, নেসুগী এম দোন অমসুং কেঐচ দিনেস, সি এফ এগী ৱাই সোনামনি, জিংলৈঙম অমসুং সিন্থাবা পুখ্রম্বম, আই এম এ এফ এগী দব্লিয়ু রোহিট, মুতুম মঙাল অমসুং অঙোম মহেস, আই ৱাই এফ সিগী কে সোয়েদ অমসুং জোজো, এম য়ু এফ এগী জয়রাজ লাইফ্রাকপম অদুগা দি এস এ ককচিংগী কেএসঐচ রিঙ্কালনি।

ফোরৱার্দতনা কে আই ৱাই সিগী ইজাজুর অমসুং অন্সার, এম য়ু এফ এগী অঙোম খৃস, আর এফ সি সিগী এল নোদিয়াচান্দ, আই এফ ই পিগী এম দি রুস্তম, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী বিসেসনা অমসুং এস অবিসন অদুগা পোইলোই এফ সিগী এল অকবরনি।

# মধুসুদোন খো খো ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী অনৌবা গভর্ণিং বোদি খনবদা মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিয়েসন (মাক্কা) গী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুরিবা এম মধুসুদোনবু ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা এপ্পোইন্ট তৌখ্রে।

মাক্কানা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী চেরোলদা হায়, ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা ফেদরেসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা এন্নুয়েল জেনরেল মীটিংদা নোর্থ ইষ্ট জোন খো খো ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরীসু ওইরিবা মধুসুদোনবু য়েৎনবা য়াওদনা কে কে এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি।

১৯৯২দগী কে কে এফ আইগী রেফরি অমসুং ওফিসিয়েলগী ক্বালিফাই ওইদুনা টেক্নিকেল কম্মিটি মেম্বর, রেফরি বোর্দ মেম্বরনচিংবদা মধুসুদোন থৌ পুরমখি। ২০০৯দগী ২০১৭ ফাওবা ফেদরেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরী ওইরমখি। মসিগী মতুং টার্ম অনীরক্তা ফেদরেসন অদুগী টেক্নিকেল চেয়রমেন ওইরি। ফেদরেসনগী এ জি এম অদুদা মাক্কাগী সেনিয়র ভি পি ওইরিবা ও কে বুধিসু শরুক য়াখি হায়রি।






Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Ningombam Nimol Chand, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com